ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

ওল মণিপুর হোকর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অজিৎ ৱাংখেমচাবু ইম্ফাল ইষ্টকী বাসিখোং প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা কোভিদ-১৯গী অহানবা দোজগী হীদাক কাপখিবা

মীয়ামগী খোল্লাউ ওইরকপা য়াবা অহৈবী অমগী ৱাকৎ

☛ লামায় ২

ইন্দিয়াদা রেকোর্দ ওইনা কেস লাখ ৪.১২ থেংনখ্রে, মীওই ৩৯৮০ শিখ্রে

☛ লামায় ৪

দিমোক্রেসিদা হিংশাগী মফম লৈরোই: রাধেশ্যাম

☛ লামায় ৫

কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তা ৱা ঙাংবনি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা

☛ লামায় ৫

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না লৈখিদ্রবা মেম্বর সুরেশ অশেমগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা লুপা ১,৫০,০০০গী তেংবাঙ খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৫

Vol. 45, Issue No. 041 | ইরাই, শজিবু ২৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, May 07, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী কেসশিং খন্নরগনি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কা এম এল এ ১২বু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহনখিবগী মায়োক্তা কোংগ্রেস এম এল এ সুর্জকুমার ওক্রম অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা কেসশিংগী ৱায়েলদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং হাপ্পগী থবকপু চৎনহনখিদবা ওর্দরগী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সুজকুমার ওক্রম অমসুং মহাক্কী কাঙবুগী মথক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা স্পেসল নোটিফিকেসন (সিভিল) নম্বর ২০০১-২০০৫ ওফ ২০২১ হয়েং সুপ্রিম কোর্টনা লৌখৎতুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

কোর্টশিংগী থবকশিং মে ১৭ ফাওবা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল গোলমৈ গাইফুলসিল্লুনা থোকখিবা নোটিফিকেসন নম্বর ১০৮গী মতুংইন্না হয়েংদগী হৌরদুনা থা অসিগী ১৭ ফাওবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পাঙথোরকপা কেসশিংগী হিয়ারিং য়াওনা কোর্ট অসিগী নোর্মেল ফঙ্কসনশিং সস্পেন্দ তৌরে হায়রি।

মরম অদুনা মে ৭, ১০, ১১, ১২, ১৩ অমসুং ১৭তা পাঙথোক্লবগীদমক লেপ্লম্বা মেট্টরশিং অদু জুলাই ৩০, ওগষ্ট ২, ৩, ৪, ৫ অমসুং ৬তা ওইনা পাঙথোক্লগনি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

কাংপোকপী অমসুং নিংথৌখোংদা সটদাউন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভনা ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী কাংপোকপী টাউন কম্মিটি, কাংপোকপী ৱিমেন ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন অমসুং কাংপোকপী য়ুথ য়ুনিয়ন্না ঙসি ইমর্জেন্সি মীটিং অমা পাঙথোক্লগা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৩৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১২.৮৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.১৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Covid-19gi second wave mayoknanabagidamak lannai lupsingna total shutdown laothoraklibasi aphaba khongthang oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19gi positive case amasung sihanbagi chang hantharaktribana vaccination centresing masing henna hangdokpa chumloidra?

Yes 77% No 23%

অস! লোইরেহে!

- নঙলা লৈকায়গী চেঙ য়েনবদা শুনা য়েন্দে হায়বদো!
- [illegible]



- হন্দক্কীদি ঐ নৎচদে, হাক্কুমগীদুদি ঐননি।
- [illegible]

মণিপুরগী প্রাইভেট সেক্টরদা শুপ্নতগী ওক্সিজেন প্লান্ট ২ খক্তমক লৈরল্লে

ঐচ ভি এস অমসুং এম ও পিনা নোংমদা সিলিন্দর ৩৯০ পুথোক্লবসু দিমান্দনা হেল্লকপদগী শুনবা পীবা ঙমদ্রে

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মায়োক্ল হল্লক্লিবা খুদোংচাদবা ফীভমশিং অসি য়েংলগা লায়না অসিদা পোজিটিভ ওইবা মীশিংগী মশীং লেপ্পুনা হেনগৎলকপনা মখোয়বু লায়েংবদা তঙাইফদনা মথৌ তারক্কদবা ওক্সিজেনশিং মরাং কায়না পীবা ঙম্নবা অচৌবা থৌরাং তৌহৌবগী তঙাইফদবা লৈরক্লিবা অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা মীওইবগী পুন্সি কনবদা শীজিন্নগদৌরিবা তঙাইফদবা পোৎলম ওইরিবা ওক্সিজেনগী মতাংদা থিগৎলুবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শুপ্নতগী প্রাইভেট সেক্টরদা ওক্সিজেন প্লান্ট অনীখক্তমক লৈরম্বা থেংনরে।

হৌজিকমক্কী ওইনদি লনাই ওক্সিজেন প্লান্টশিং অমদি লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা লৈরিবা ওক্সিজেন প্লান্টশিংদা পুথোক্লিবা ওক্সিজেন অমদি মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা ওক্সিজেনশিংনা অদুমক কোন্নরি হায়বা ৱাফমশিং লৈরবসু করিগুম্বা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হৌজিক হেনগৎলিবা অসিগুম্না অসুমক মখা তানা হেনগৎলক্লবদি ষ্টেট অসিদসু দেল্লিদা থেংনখিবা ওক্সিজেন ফংদবগী অৱাবা অদু লমদম অসিদসু থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

মণিপুরগী ওইনা ওক্সিজেনগী মতাংদা পাউচে অসিনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন্দা ফংলকখিবা রিপোর্টশিংনা হায়বদা ষ্টেট অসিদা লনাই ওইনা ওক্সিজেন পুথোক্লিবা মফম অনীগী মনুংদগী অহানবা ওইরিবা এন ঐচ - ৩৭ (ইম্ফাল জিরিবাম) লম্বীগী পাৎশোইদা লৈবা ঐচ ভি এস মেদিকেল ইন্দষ্ট্রিয়েল ওক্সিজেন প্লান্ট অসিদা পুং ২৪গী মনুংদা চাওরাক্লা দি টাইপ সিলিন্দর (লিটর ৬০০০/৭০০০) চাওরাক্লা সিলিন্দর ২২০ লোম পুথোক্লি। ঐচ ভি এস ওক্সিজেন প্লান্ট অসিনসু পুং ২৪ চুপ্না ওক্সিজেন পুথোক্লবসু লাক্লিবা দিমান্দশিং মপুং ফানা পীবা ঙমদ্রি। অনীশুবদা বিষ্ণুপুরগী জেয়পুর খুনৌদা লৈরিবা মণিপুর ওক্সিজেন প্লান্ট প্রাইভেট লিমিটেদ অসিদসু পুং ২৪গী মনুংদা চাওরাক্লা দি টাইপ সিলিন্দর ১৭০ পুথোক্লি। প্লান্ট অসিদা হৌজিক লাক্লিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী দিমান্দশিংগী মশীংনা চাওরাক্লা দি টাইপ সিলিন্দর ৫০০মুক্কী চাংদা ওইরি। অদুবু ওক্সিজেন প্লান্ট অসিগী ওক্সিজেন পুথোকপা ঙম্বগী কেপাসিটিনা নোংমদা সিলিন্দর ৩০০ রোমদনি। লোয়ননা শিজ হোস্পিটালগী পুথোকপা ঙমগদৌরিবা ওক্সিজেন প্লান্ট অসিনা নোংমদা দি টাইপ সিলিন্দর ২৮০ ফাওবা ওইগদৌরি। অদুম ওইনমক শীজ হোস্পিটালগী ওক্সিজেন প্লান্ট অসিদি পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ (পি পি পি) মোদেলগী মখাদা চলাইদুনা পুথোক্কদবনি। অদুম ওইনমক লাইবক থিবদি প্লান্ট অসিদা ওক্সিজেন পুথোকপদা শীজিন্নবা মচাক অমা য়ারক্তবদগী ওক্সিজেন পুথোকপগী থবক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

মীওই ১৩ শিরে, পোজিটিভ কেস ৩৮০ থেংনরে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লবা হৌরকখিবদগী ঙসি ফাওবদা লায়না অসিনা শিহনখিবা মীওইশিংগী মশীং খংহেন হেনগৎলক্লুনা মীওই ১৩গী পুন্সি মাঙহনখিবগা ইরোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা শিহনখিবা অপূনবা মীওই মশীং ৪৪৭ শুবগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা মীওই ৩৮০ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা অপূনবা পোজিটিভ কেস ৩৮০নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগী নুপা ১৯২ অমসুং নুপী ১৭০নি। অতৈ ১৮না সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পর্সনেলশিংনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা ঙসি খক্তগী ওইনা থেংনখিবা অপূনবা পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৬২, ইম্ফাল ইষ্ট ৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৯, মায়পাকপী হোস্পিটাল ৫, মাদরস ক্যের ১, আর দি ৱিং ১২, স্বিটস ক্লিনিক ১, সী এম সী ২, লিটল ক্লিনিক ২, চেম্বর ওফ কমার্স ২, খৃষ্টিয়ান হোস্পিটাল ১, এদভান্স হোস্পিটাল ৩, ইমা হোস্পিটাল ১, পব্লিক হোস্পিটাল ১, শিজ হোস্পিটাল ২০, জিবন হোস্পিটাল ১২, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স ৯৫, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্স ৫৪, থৌবাল ৩, ককচীং ১১, উখ্রুল ৩, চুড়াচান্দপুর ৪৩, কাংপোকপী ৩ অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা ৬নি হায়রি।

অপূনবা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদগী ইম্ফাল ইষ্টতগী ১১৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৭০, থৌবাল ৫, বিষ্ণুপুর ৪, ককচীং ২৩, উখ্রুল ৪, চুড়াচান্দপুর ২৯, তমেংলোং ৫, সেনাপতি ১, কাংপোকপী ৪ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী ১নি হায়রি। ঙসিগী ওইনা থেংনরবা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগীদমক মখোয়গী কন্টেক্ট ট্রেসিং অমসুং মথৌ তাবা মেদিকেল প্রিকোস্নরিশিংগী মনুংচন্না কন্টেনমেন্টনচিংবগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়রি।

লোয়ননা ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থোরকখিবা চেরোল অসিনা হায়বদা হায়রিবা পুংফম অসিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্রেটর ইম্ফালদা থল্লকখিবা কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবা মে ১৬ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : এপ্রিল ২৯, ২০২১দা খ্বাইদগী কোন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরিনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অমদি গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়া অপূম্বদা থল্লকখিবা কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবশিং অদু হয়েংদগী হৌরদুনা থা অসিগী ১৬ ফাওবা মখা তানা শাংদোকহনখ্রে।

মসিগী মতাংদা ঙসি চীফ সেক্রেটরিনা হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দর অসিনা হায়, পব্লিক হেল্থকী ইন্টরেষ্টতা কমপ্লিট সটদাউন তৌবগী মহুত্তা কোভিদ-১৯গী ইনফেক্সনশিং চ্যেক তৌনবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলক্লগসু লায়না অসিনা নাহল্লকপা মীওইশিংগী মশীং হেনগৎলকপদগী তঙাইফদনা কন্টেনমেন্ট জোনগী মতম অসি শাংদোকহনবনি হায়রি।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ২০ (২) (এ)গী মতুংইন্না থোরক্লিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলদা লৈবা দুকান পূম্নমক থিংজিল্লগনি। ইমা কৈথেলশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা টেম্পররি মার্কেট হাংবা য়ারোই। খুরাই লমলোং, অন্দ্রো পার্কিং, লম্বুলেন্দ, কোংবা, ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট পৱন যাদবনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা এপ্রিল ৩০দগী নাইট কর্ফিয়ু থল্লকপগী মথক্তা ঙসিদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অপূম্বা রেভেন্যু জ্যুরিসদিক্সন পূম্নমক্তা নুমিৎ ৭নিগী ওইনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে।

অথিংবা অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌরগনি হায়বগা লোয়ননা হায়রিবা নুমিৎ অসিগী মনুংদা মীওই অমত্তা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহনখিদবগা লোয়ননা ওক্সিজেন/ওক্সিজেন সিলিন্দর, এল পি জি, ওইল টেঙ্কর অমসুং ইসেন্সিএল সর্ভিসকী মনুং চল্লিবা পৱার সপ্লাই, গার্বেজ কলেক্সন, ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

এমসুনা ময়াই কাবা পোৎলমশিং মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা ঙসি অয়ুক জর্দা অমদি তলবনচিংবা পোৎলমশিং লম্ফেলগী মফম অমদা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

কৈথেলগী মমলদা লুপা লাখ ৪ রোমগী ওইগদবা পোৎলমশিং অসি দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসিগী টিম অমনা অখন্নবা সোর্স অমদগী ফাগৎলক্লগা পাউমীশিংগী মমাঙদা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখিবনি হায়রি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মীয়ামদা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

কৌব্রুগী মতাংদা ফেসবুক্তা অপলোদ তৌরুবা মীওই ২ পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ৪গী অয়ুক পুং ৯.৩০ অমসুং থা অসিগী ৫গী অয়ুক পুং ৭তা কৌব্রুগী মতাংদা ইবা ৱারোলশিং সোসল মীদিয়াগী মরু ওইবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা ফেসবুক্তা অপলোদ তৌরুবনি হায়বা মীওই অনী পুলিসনা ফারগা মখোয়গী কষ্টদিদা নুমিৎ তরুকনিগী রিমান্দ লৌথখ্রে।

পুলিসনা ফারবা মীওইশিং অদুদি থৌবাল হাওখ মনিং লৈকায়দগী লাইশ্রম বিজয়রাজ এলিয়জ তোম্পোক এলিয়জ অবুং (২১) অপোকপা এল শামুঙৌ অমসুং থোংজু পার্ট টু ৱাইখোং খোংনাংদগী ওক্রম থোই মীতৈ (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও মনি কৌই হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা মখোয় অনীগী মনুংদগী এল বিজয়রাজনা মহাক্কী ফেসবুক একাউন্টতা অপলোদ তৌখিবা ৱাফমশিং অদুনা কৌব্রুদা সলাইচাশিংনা উথক্তা থেৎলম্বা সলাই তরেৎকী ফিরাল অদু কুকি মচাশিংনা মী লৈতবগী খুদোংচাবা লৌরগা লৌথদুনা লৈনুংদা নমশিনবা, পুলিস পর্সনেলদসু মীতৈমচা অমত্তা য়াওহৌদে, মসি কংলৈচাশিংগী য়াম্না লাইবক থীবনি হায়বগা লোয়ননা কংলৈচা খুদিংগী থম্মোয়দা পেন্দবা য়াওনবা পোষ্ট অসিবু স্যের তৌবীরম্মু হায়বা ৱাফমশিং অপলোদ তৌরুবনি হায়রি। হায়রিবা ৱাফম অসিমক ওক্রম থোইনসু মণিপুর অপদেট কৌবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

‘কৌব্রুদা আই আর বি বট্টালিয়ন ১ থম্বীয়ু’

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : কৌব্রুদা লাই খুরুম্বা অমদি সলাইগী ফিরাল কৎতুনা য়ুংলগা থৌনিবা হায়বসি অপাম্বা অনীংবা থুংননবা থৌনিজরবনি হায়রদুনা অসিগুম্বা থৌরমশিং অসিদা য়ৈখাই থিনগাইবা য়াওদনবগীদমক্তা কৌব্রু চীংদোল য়ৌনা লম্বী শেম্লগা কোয়লাস থাবীদুনা মসিগী চীংদোলদা আই আর বি নৎত্রগা মণিপুর রাইফলসকী বট্টালিয়ন অমা থম্বীয়ু হায়না কৌব্রু লৈখাগী লাইশঙবু শঙদুনা লাক্লিবা মীয়াম্না কৌব্রু য়াইমা হায়না খঙনরিবা য়াইমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিদা মহাক্না হায়, কৌব্রুগীদমক্তা মণিপুরগী এম পি অমসুং এম এল এশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। মরমদি কৌব্রু লাইফমদা মসিগী লাইশঙশিং শাবা হায়বসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

খুন্দ্রাকপম এ সীদা সী ঐচ আই সী ৩ হাংগদৌরি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমদা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অহুম হাংদোক্লবা ঙসি ফমখিবা খুন্দ্রাকপম এ সী এসেম্বলী সেগমেন্ট কোভিদ এৱ্যেরনেস কম ইনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী মীফম অমনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা এ সী অসিগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরগী বাবুপারাদা লৈবা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখ্রে। মীফম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ওক্রম হেনরিগী আপিলদা সুপ্রিম কোর্টকী ইন্টরিম ওর্দর

এসেমব্লিদা ৱাই ইরাবোতকী ভোটিং রাইট অমসুং মোনেটরি বেনিফিটশিং থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস উদে উমেস ললিত, জষ্টিস ইন্দিরা বেনর্জি অমসুং জষ্টিস কে এম জেসেফকী দিভিজন বেঞ্চ অমনা ঙসি পীখিবা ইন্টরিম ওর্দর অমদা ১৫-ৱাঙ্খৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা য়ুমখাম ইরাবোতকী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা ভোটিং রাইট থিংজিনখিবগা লোয়ননা এম এল এ অমা ওইবগী ফংফম থোকপা মোনেটরি বেনিফিট (তোলোপ অমদি এলাৱেন্স) শিংদা অথিংবা থমখ্রে।

এপেক্স কোর্ট অসিগী ইন্টরিম ওর্দর অসি এম এল এ অসিগী মথক্তা হান্না এ সী অসিগী এম এল এ ওইরম্বা ওক্রম হেনরিনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল আপিল নম্বর ১৬৬৬ ওফ ২০২১ লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা পীখিবনি। ও হেনরিগী সিভিল আপিল অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা এপ্রিল ১৫, ২০২১দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা ওক্রম হেনরিবু ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন্দা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরে হায়খিবা রিজল্ট অদু চৎনহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা ভোট ১২,৪১৭ ফংখিবা ৱাই ইরাবোতপু ১৫-ৱাঙ্খৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এনি হায়দুনা লাউথোকখিবা অদুগী মায়োক্তা এপেক্স কোর্ট অসিদা সিভিল আপিল অসি ফাইল তৌরকখিবনি। অদুগা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এপ্রিল ১৫, ২০২১দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা হৌজিক্লা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯋꯥꯔꯦꯡ ꯆꯥꯡꯗꯝꯅꯕ

হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা ***“মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা”*** হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াম্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা ‘হুইয়েন লানপাউ’গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।

ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ট্বেল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ইশা-ইশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা মে ১৫ ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খুদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।

– **এদিটর, হুইয়েন লানপাউ**

পেন্দমিক মনুং : অকিবা, শাওনীংবা, পেন্দবশিংদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা হেনগৎলক্কদৌরিবনি : ডা. লেনিন

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা পূক্নিং-ৱাখল ৱাবা, তুম্বা য়াদবা, অকিবা ফাওবা, শাওনীংবা অমদি পেন্দবনচিংবা কয়াদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং চাবা হেনগৎলক্কদৌরিবনি হায়না রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী সাইকিয়াত্রিক দিপার্টমেন্টকী হেদসু ওইরিবা প্রোফেসর আর কে লেনিন্না ফোঙদোকখ্রে।

সাইকিয়াত্রিক্কী প্রোফেসর অসিনা পাউচে অসিদা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাক্লগনি হায়বসি মাঙজৌননা অখঙ-অহৈ কয়ানা হায়বা লৈখ্রবনি। মসিগী মথক্তা লায়না লাইচৎ অসিগী অহুমশুবা ৱেভ ফাওবা লাক্লগনি হায়নরক্লবনি। অদুবু হৌজিক মায়োক্লরিবা অনীশুবা ৱেভ অসিনা হান্নদগী হেন্না শাথীবা মওংদা অনাবা মীওইশিংগী মশীং হেনগৎহল্লকপদা নত্তনা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিহনবগী মশীংসু হেনগৎলক্লি। মসি হান্না কোভিদ-১৯গী মতাংদা য়াম্না ৱানা মসিগী পেন্দমিক অসিবু মায়োক্লনবা হোৎনরুবদগী খজিক্তং শাফরকপা মতমদা কোমথোক্লুদুনা চেকশিলহৌদবদগী ওইরক্লিবনি।

কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভতা লায়না অসিগী সিম্পটোম কয়া উৎতবা ফীভম লৈখি। অদুবু হৌজিক মায়োক্লরিবা অনীশুবা ৱেভ অসিদদি লায়না লাইচৎ অসিগী সিম্পটোমশিং লোইনা উৎথোরক্লি।

মীয়ামগী হেল্থকী মতাংদসু মাঙজৌননা শেম শাদুনা প্রিপরেসন তৌহৌদবা, মরু ওইনা লায়না অসিনা নাহল্লবা মীওইশিংদা তঙাইফদনা মথৌ তারক্কদবা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা হেন্না মায়োক্লরক্কদ্রা হায়বদুসু খন্থহৌদবদগী অহোবা ময়াম থোরকপনি। হেল্থ ক্যেরদা থবক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ꯂꯣꯟ ꯐꯪꯒꯅꯤ LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE
- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
Imphal East | Imphal West | Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/6949/27/4-25/5